**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06.06.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুমন লম্পাক্তা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা ঙসি উন্নদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং তাখ্রে।

২) মণিপুরদা হন্দক লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকী শা-ষন মপুশিংদা সরকারনা ক্ষেতিপুরন পীরগনি।

৩) রাজ্যগী বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকারদগী এন.পি.এফ তোক্লে হায়না শন্দোরক্লিবা ৱাফম অদু অচুম্বা নত্তে হায়না এন.পি.এফনা ফোংদোকখ্রে।

৪) জে.দি.য়ু লুচিংবা নিতিস কুমারনা মণিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা প্রধান মন্ত্রি উন্নদুনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীরকখ্রে।

অমসুং

৫) নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স এন.দি.এনা কেন্দ্রদা অনৌবা সরকার অমা শেমবগীদমক থৌরাং পায়খৎপা হৌরে।

------

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুমন লম্পাক য়ুথ হোষ্টেল নম্বর টুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগা ঙসি হকথেংননা উন্নদুনা মখোয়গী অৱাবা

ৱাকৎশিং তাখ্রে। খোঙচৎ অদুদা রাজ্যপালনা রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। রাজ্যপালনা হায়- হন্দক থোকখিবা ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা অৱাং নংলবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা সরকারনা থবক লৌখৎলি। সরকারনা অৱাবা নংলবা মীয়ামগীদমক পাংবা য়াবা পীবা য়াবা মতেংশিং শোইদনা পীগনি। মহাকা হায়- অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা সরকারগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং চিফ সেক্রেটরিদা খঙহনখ্রে। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংসু অৱাবা নংলবা ইমুংশিংগী ফিভম য়েংশিন্দুনা রিপোর্ট অমা থাগৎলকবা খঙহনখ্রে। মহাকা হায়- মণিপুরগী মীয়ামা অসিগুম্বা অৱাবা মায়োকরকপা মতমদা মতেং পাংনবা মহাক্কী মাইকৈদগী মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈ।

তুংদা, রাজ্যপালনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং কোইনা চত্তুনা য়েংশিনখি। ঈচাউনা শোকহল্লবা নাগারামদা মীয়ামগী মতেং পাংবা এন.দি.আর.এফকী পার্সোনেলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি অমসুং ঈচাউ অসিদা মখোয়না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা পীরিবা মতেং অদুবুসু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমনথেম দাইনা দেবী অমদি পোরোমপাৎকী এস.দি.ও য়াওনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং লোয়নখি। খোঙচৎ অদুদা রাজ্যপালনা ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

ভেটেরিনারি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরিগী জোইন্ট দিরেক্তর ওইরিবী ডাঃ হিজম তিকেনবালানা হায়রি- মে ৫ দা থোকখিবা লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা শা-ষন লোইরিবা মীওই ২৬২ গী শা-ষনশিং অমাং অতা থোকহনখ্রে। মখোয়দা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীনবা হোৎনরি।

মহাকা হায়- হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা জিলা অসিগী ওইনা শা-ষন কয়া য়ামা শোকহনখ্রবগে হায়বগী চপ চাবা রিপোর্ট লৈত্রি। বিভাগ অসিগী মাইকৈদগী রিপোর্ট খোমগৎনবা হোৎনরি।

জিগুঞ্ঝ(এল)ঃ মণিপুরদা হন্দক লেন য়াওনা চুখিবা অকনবা নোংনা মাংহন তাকহনখ্রবা ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা ইরোং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা ইমুং ৬০ হেনবদা মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পীরকপা জিগুঞ্ঝ বান অহুম অহুম কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- ডাঃ উশম দেবেন্না ঙসি য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইরোং গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারমেন জনাখ খান অমসুং এস.দি.সি ইরোংসু শরুক য়াখি।

মতেং (এল)ঃ হন্দক থোকখিবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকাই, লমলোং অমদি কাইরং মনিং লৈকাইগী ইমুং ৬০০ রোম হেনবদা ভারত বিকাশ পরিষদ, মণিপুর প্রান্টনা ঙসি তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। তেংবাংগী পোৎলম অসি মখা তানা বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদসু চত্তুনা খুৎশিন্নগনি হায়রি।

অমুকো (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতে ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইফম খুনৌ মমাং লৈকাই লৈতোং শঙলেন অমসুং লাইফম খুনৌ ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা ঙসি চান থকবা য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

নিসিকান্ট (এল)ঃ কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ সাপম নিসিকান্টকী মীৎয়েং মখাদা কেন্দ্র অসিবু লুনা নান্না থমনবগী পান্দমদা ঙসিদগী ইরম নালাশিং শেংদোকপা হৌখ্রে। ইরম নালাশিং শেংদোকপগী থবক অসি টিম নিসিকান্টগী মেম্বরশিংনা পাঙথোকপনি। সাপম নিসিকান্ট এম.এল.এনা ঙসি ইরম নালা শেংদোকপগী থবক তৌরিবশিং অদু কোইনা চত্তুনা য়েংশিনখি। শ্রী নিসিকান্টনা হায়- কৈশামথোং ক্লিন মিসনগী মখাদা ইরম নালাশিং শেংবগী থবক চথুবা হৌবনি। কেন্দ্র অসিগী ৱাইসেল মরিলদা তাবা ইরম খোংলমশিং য়াওনা লৈকাই

লৈকাইগী ইরম খোংলমশিং নোংজ্ থা লৈক্ত্রিঙৈ মমাংদা মপুং ফানা শেংদোকবা হোৎনগনি হায়খি।

নিংথৌ (এল)ঃ অসাম, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেশ, ত্রিপুরা অমসুং বঙ্গলাদেশতা খুন্দারিবা মীতৈশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী পান্দমদা পুনশিন খোঙচৎ চৎলিবা সাইক্লিষ্ট ফিলেম রোহেনবু মীয়ামা পুকিং থৌগৎপীনবা রাজ্য সভাগী এম.পি. মহ্‌রাজা সনাজাউবা লৈশেম্বনা আপীল তৌরক্লি।

এনপিএফ (এল)ঃ নাগা পিপলস ফ্রন্ট মণিপুর য়ুনিতকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- মুখ্য মন্ত্রি নোংথম্বম বিরেন্না লুচিংবা সরকার অসিদগী এন.পি.এফ তোকখ্রে হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোরক্লিবা অসি অরানবনি।

শ্রী অৱাংবৌ নিউমাইনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়- বি.জে.পি অমসুং এন.পি.এফ অনি য়ামা পুকচেল শেংনা হৌজিক চৎমিন্নরি। হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা আউটরদা বি.জে.পিগী মাইকৈদগী এন.পি.এফতা য়ামা চাউনা মতেং পাংলকখি।

জেদিয়ু (এল)ঃ হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা জনতা দল য়ুনাইতেদকী এম.পি ১২ মায় পাক্লকপদা জে.দি.য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা দল অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

দল অসিনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- শ্রী বিরেন্না ঙসি নিউ দিল্লিদা দল অসিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট ওইরিবা নিতিশ কুমারগা উন্নখি অমসুং উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা চহি অমা হেল্লক্লবা ইরাং অসিগী মতাংদা পাউদমখি। রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমদি ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকবা প্রধান মন্ত্রিদা তকশিন্নবা শ্রী বিরেন্না নিতিস কুমারদা হায়জখি। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা চীং অমসুং

তমদা লৈরিবা মীয়াম মরুওইনা লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিংনা খম থেংনা অৱাবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী মতাংদসু পাউদমখি। তুংদা, শ্রী নিতিস কুমারনা মণিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা প্রধান মন্ত্রি উন্নদুনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীরকখি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- কেন্দ্রগী অনৌবা মন্ত্রি মন্দল ৱাশক লৌবা লোইবগা জে.দি.য়ু মণিপুর য়ুনিতনা শ্রী নিতিসকুমারগী খুত্থাংদা প্রধান মন্ত্রিদা মেমোরেন্দ অমা পীশিন্দুনা মণিপুরগী ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা তকশিল্লগনি।

ককচিং (এল)ঃ হিয়াংলম কেন্দ্রগী কোমনাউদা শাখিবা কম্মুনিতি হোল অমদি কেন্দ্র অসিগী তোকপা চীং এদেদ হাইস্কুলগী নৌনা শাবা কা অহুমগী বিল্ডিং ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ, ডাঃ য়ুমাম রাধেশ্যামনা শঙ্গাখ্রে। থৌরমদুদা ডাঃ য়ুমনাম রাধেশ্যাম এম.এল.এনা হায়- হৌখিবা মতম খরগী মমাংদা তোকপা চীং এদেদ হাইস্কুলগী কা অহুম খঙহৌদনা মৈনা চাকখিবদগী মহৈরোইশিং লাইরিক তমফম কা শুদবগী অৱাবা অদু কোকবা মহাক্কী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী কা অহুম অসি শাখিবনি। মহাকা হায়- মতম কুইনা শঙ্গদনা লৈরিবা হেলথ সেন্তর অসিসু শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্ননবা মরী লৈনবশিংদা তকরগনি। থৌরমদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখি।

থৌবাল (এল)ঃ য়ামা নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা ঙসি থৌবাল জিলাগী খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শাপমদা চহি নৌরিবী নুপীমচা অমা মীওই অমনা য়োৎচৈনা কনবদগী লৈখিদ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়- নুপীমচা অদু ক্লাস সিক্স তম্লি। মহাকা ঙসি অয়ুক স্কুল কারকপগী লম্বীদা নুপা অদুনা মকোক্তা য়োৎচৈনা কনখি। শোক্লবা নুপীমচা অদু খুদক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ফিভম লুশিল্লকপদগী ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পুখৎলকপদা লম্বীদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু মীয়ামা ফারগা পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা খোংজোম কৈথেলদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হোলদা নুপী মচা অদুনা তম্লম্বা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা ব্রাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে। চেন্নবা মীওই অদু পুং ২৪ গী মনুংদা সরকারনা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা দাবী তৌরি।

ফিলম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ফিলম এন্দ টেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা থা অমা চুপা চথগদবা ফিলম এপ্রিসিয়েসন কোর্স অমা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইন্সটিট্যুট অসিদা হৌদোকখ্রে। কোর্স অসিদা ফিলম পামজবা অমদি ফিলম মেকর ৩০ রোমা শরুক য়ারি। ইন্তরনেসনেল ফেদরেসন ওফ ফিলম ক্রিটিক্সনা কোর্স অসিগী একাদমি পার্টনর ওইরি।

প্রমোদিনি (এল)ঃ ফুড কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মণিপুর ষ্টেট কন্সলটেটিভ কমিতিগী মেম্বর ওইনা হাপ্লকুবা ডাঃ আর.কে. প্রমোদিনিবু বি.জে.পি ইন্টেলেকচুয়েল সেল মণিপুর প্রদেশনা ওকপগী থৌরম অমা ঙসি য়াইস্কুল মোইরাংখোমদা পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল (এল)ঃ থা অসিগী মরিদা তেংনৌপল অমসুং সাইবোম ভিলেজ অনিগী লোন্নবা মফম অমদগী শকখঙদবশিংনা ফাখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরিবা চান্দেল জিলাগী চরাংচিং খুনখা ভিলেজদগী ষ্টেভেনসন লমকাংবু তেক্ত কায়দনা থাদোপীরকবা চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন্না আপীল তৌরক্লি। থৌওং অসি লুপ অসিনা অকনবা মওংদা য়ানিদে।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা ঙরাং নোনে জিলাগী চরোই পানদোংবা অমসুং হাওচোং খুলদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

উ থাবা (এল)ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা মোর্নিং ষ্টার এসোসিয়েসন, থাঙ্গ খুনজেম লৈকাইনা শিন্দুনা উ থাবগী থৌরম অমা ঙসি লৈকাই অসিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা উ চারা ১৫০ থাখি হায়রি।

অমরোমদা, লোংমাই নেচর ক্লব অমসুং নোনে ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে পালন ঙরাং নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা লোংমাই কৈথেল অমসুং ইজৈ তুরেল পরিংদা উ থাবা অমদি প্লাষ্টিক্কী অমোৎ অকায়শিং শেংদোকপগী থবক চখুখি হায়রি।

সনামহি (এল)ঃ মীতৈ থাপালোনদা থা খুদিংগী পুথোকপা লাইনিংথৌ সনামহি মপাউ ঙসি ফোংখ্রে। ইঙা থাগী লাইনিং সনামহি মপাউ অসিগী মরুওইবা পাউজেলদি লাক্লিবা ইঙাগী ১৪ নি পানবা থানিল নুমিৎতা কুম অমগী সনামহি চেং হৈবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ইম্ফালগী হয়িং খোঙবাল উখোং য়ুম্ফমদা লৈবা সনামহি লাইশঙদা লৈবাক মরা চেৎনবা অমদি য়াইফনবগীদমক চেংবী চেংবা হৈদুনা থৌনি থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

মিতিং ঃ নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স এন.দি.এনা কেন্দ্রদা অনৌবা সরকার অমা শেমবগীদমক থৌরাং পায়খৎপা হৌরে। বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দাদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমসুং দলগী লুচিংবশিং নিউ দিল্লিদা ঙসি মীফম পাঙথোক্কুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, অতৈ মন্ত্রিশিং- পিয়ুস গোয়ল, প্রহ্লাদ জোসি, মন্সুখ মন্দাভিয়া অমসুং অশ্বিনি বৈষ্ণব শরুক য়াখি। অতৈ দলগী লুচিংবশিংসু শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

জনতা দল য়ুনাইতেদগী লুচিংবশিংসু বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিস কুমারগা দিল্লিদা লৈবা নিতিস কুমারগী য়ুমদা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি। শ্রী নরেন্দ্র মোদিবু ঙরাং মোৎ অমত্তা ওইনা এন.দি.এগী লুচিংবা খনখ্রবা মতুংদা ঙসি মীফমশিং অসি মথং মথং পাঙথোকখিবনি।

এন.দি.এগী পার্লিয়ামেন্টরি পার্তিগী মীফম অমা হয়েং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা নৌনা কারক্লবা বি.জে.পিগী এম.পিশিং, টি.দি.পি, জে.দি.য়ু, এল.জে.পি. শিব সেনা (সিনদে) ফেক্সন, জে.দি.এস অমসুং এন.দি.এগী মপাং ওইরিবা দলশিংগী এম.পিশিং শরুক য়ারবা য়াই।

কাং (এল)ঃ ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা চথুরিবা ২৪ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নিংশিং কম ওন নোক আউট কেন্দ্র ৱাইস ওপন কাং তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৱাংগোই কেন্দ্রনা থোংজ্‌ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২৩-১০ দা থোইখ্রে। হয়েং অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা নম্বোল কেন্দ্রগা মরাম্বা হিয়াংলম কেন্দ্রগা শান্নরগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ ককচিংগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২০ শুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন লিগ ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা অকসা ককচিং খ্‌নৌনা এ.আই.এফ.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চথুরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিফতিন সোক্কর তুরনামেন্টকী ঙসিগী মেটচশিংদা মঙাল এফ.এ তুরং খুলনা ফেমিলি য়ুনাইতেদপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। কাগো এফ.সিনা ৱার্ল্ড প্রোবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। মোদেল ক্লব চীংঙামখা অমসুং ঐখোয়গী ক্লব ওইনাম থিংঙেল পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে অদুগা দিংকু এফ.সি লাক্তবদগী গ্রিনলেন্দনা ৱাক্ষ ওভর ফংখ্রে।

------